## হুইদ্রোম গ্রিভিয়ানা গোল্ড লৌখ্রে



ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ৪(ঐচএনএস):
মধ্য প্রদেশনা যূম্বু ওইদুনা ভোপালদা চথরিবা ৫শুবা খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমস ২০২২-২৩গী বোক্সিং মশান্নগী ঙসি দি এস ৰাই দল্লিয়ু হোল টি টি নগর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা নুপীমচাগী কেজি ৫৪ কাঙলূপকী ফাইনেল মেটচতা ষ্টেটকী শান্নরোয় হুইদ্রোম গ্রিভিয়ানা মহাক্কী ওপোনেন্টবু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

মহাক্লা ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচতা হিমাচল প্রদেশকী সিভানগি শান্দিলবু মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

গেমস অসিদা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরনা গোল্ড ১, সিলভর ১ অমদি ব্রোঞ্জ ৪ পূন্না মেদল ৬ ফংবা ঙমখ্রে।

১৩শুবা সহিদ মনোরঞ্জন ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

## ক্লাসানা অহৌবা মেটচতা মণিপুর পুলিস মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ৪(ঐচএনএস):
মণিপুর অমদি নাগালেন্দ সেক্টর সী আর পি এফনা শীন্দুনা ১৩শুবা সহিদ মনোরঞ্জন মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩ঙসি মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা তাকয়েলগী সাই স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হৌদোকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহৌবা মেটচতা ক্লাসা কৈনৌনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবপু লাকচনা ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি সী আর পি এফকী ২০১ কোব্রা বট্টালিয়নদা এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট ওইরম্বা লৈখিদ্রবা এন জি মনোরঞ্জনগী থৱায়বু হিংদুনা লৈহন্নবা অমদি ষ্টেট অসিগী নহাশিংবু মোটিভেট তৌনবা অমদি খুন্নাই অসিগী অচঙবা মীওই অমমম্ ওইনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। মনোরঞ্জন ২০০৯গী সেপ্টেম্বর ৭তা ছটিশগরগী দান্টেৱাদা দিষ্ট্রিক্টতা নেক্সলাইটশিংগা খূৎ থোক্লবদা লৈখিদবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ষ্টেট অসিগী তোপ টিম ২৪না শরুক য়ারি।

সাই স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ক্লাসা অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব অনীনা শান্নখিবা মেটচতা ক্লাসাগী সুধিরনা শান্নবগী ৩৮ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা পুলিস টিমগী কিরননা শান্নবগী ৪২ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা লৈহনখি। অহানবা হাফ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা এল তৌথাংনা ক্লাসাগী গোল ১গা হাপচিন্দুনা পুলিস টিমবু ২-১দা মাংজিল থাখি।

মখা তাবা অনীশুবা হাফকী শান্নবদা অমর্জিৎনা শান্নবগী ৫৪ শুবা মিনটতা ক্লাসাগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। রোনাল্ডনা শান্নবগী ৭৭ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনখি। মনিচান্দনা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা ক্লাসাগী মায় পাকপগী ৫শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা লৈখিদ্রবা মনোরঞ্জনগী অপোকপী এন জি মেমচা, সাইকোটকী এম এল এ পাওলিয়নলাল হাওকিপ, ক্লাসিক গ্রুপকী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. টি ঐচ ধবলি, ভিন্টেল ইনফ্রাকোমগী দিরেক্টর ভিন্সেন্ট নামৈরাকপম, বি ঈ জিগী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু বিক্রম, সিনিয়র পুলিস ওফিসরশিং অমদি সী আর পি এফকী সিনিয়র ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা নোংমাইজিং নুমিৎতা নাকো কৈশামথোং এলাংবম লৈকাই অমদি ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ঈ এস য়ু) ৱাঙ্খেই অনীনা নুংথিল পুং ১দা লম্বা তৌনরগনি।



৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল

## বিশেশ্বর অমদি বিশ্বরজিৎকী গোলনা তাম এফ সী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ৪(ঐচএনএস):
হাওরৈবী নোরদর্ন ষ্টার ক্লবনা হাওরৈবী অপূনবা এফ সীগা খূৎশম্ন না শীন্দুনা হাওরৈবী কাংজৈবুংদা চথরিবা ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেল মেটচতা বিশেশ্বরনা চনখিবা গোল অহুম অমদি বিশ্বরজিৎনা চনখিবা গোল অমগী মতেংনা তাম এফ সী সেক্তানা ৱাই দল্লিয়ু এ ৱাঙ্গোইবু ৪-২দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

বিশেশ্বরনা শান্নবা হৌরকপগী ৯শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা খেরিসননা শান্নবগী ১৪ শুবা মিনটতা ৱাঙ্গোইগী ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখি।

টিম অনীনা স্কোর ১-১ লৈরবা মতুং বিশ্বরজিৎনা শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা সেক্তা টিমগী গোল ১গা হাপচিন্দুনা তাম এফ সীনা ৱাই দল্লিয়ু এবু ৩-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।



অনীশুবা হাফকী শান্নবদা সেক্তাগী বিশেশ্বরনা শান্নবগী ৩০ শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা অমদি মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্লা মখা তানা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা মহাক্কী হেটট্রিক অমদি মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখি।

অজিৎনা শান্নবগী ৩৬ শুবা মিনটতা ৱাঙ্গোই টিমগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা ৱাঙ্গোই টিমগী রিশিকান্ত, খেরিসন অমদি লময়ানবা শান্নবগী ৪৪, ৫২ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা অদুগা তাম এফ সীগী বসন্ত অমদি বিশনবু শান্নবগী ২৮ অমদি ৫৮ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমীফাইনেল নোংমাইজিং নুমিৎকী পুং ২দা সনা এফ সী থৌবাল অমদি সমুরৌ য়ুনাইটেদ থেংনরগনি।

## খেলো ইন্দিয়াগী ষ্টেট জুদো টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ৪(ঐচএনএস):
মধ্য প্রদেশনা যূম্বু ওইদুনা জন্যুৱারী ৩০দগী হৌদুনা ভোপালদা চথরিবা ৫শুবা খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমসকী জুদো মশান্নদা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌগদবা মীওই ২১না শাবা টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেট টিম অসিগী ওফিসল ওইনা ঐচ বিচু অমদি এন সুমোবালা (মেনেজর) অদুগা এল দিনিট অমদি চিঙ্খৈঙানবী হুইরেম (কোচ) না শরুক য়ারি।



নুপী শান্নরোয়শিং অদুনা লাইশ্রম মোনালিস (কেজি ৫২), ঐচ রোনি (কেজি ৫৭), আই কলপনা অমদি লিন্থোইঙানবী অসেম (কেজি ৬৩) অমদি দিপাপথি ঙাংবম (কেজি ৬৩ মথক)নি। নুপা শান্নরোয়শিং অদুনা রোহিটিন নিংথৌজম অমদি ধনঞ্জয় সাপম (কেজি ৫০), ঐচ রিশিকান্ত, বাবুমচা মৈতৈ লাইশ্রম অমদি মাইবম রাজেন্দ্রো (কেজি ৫৫), থাংজম নিংথেম্বা মৈতৈ (কেজি ৭৩) অমদি এস শিতল (কেজি ৮১ মথক)নি।

## ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি বিষ্ণুপুরগী বোক্সিংগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ৪(ঐচএনএস):
মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসননা শীন্দুনা ফেব্রুৱারী ২২দগী ২৬ ফাওবা খুমন লম্পাক্কী বোক্সিং এরেনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মাষ্টর, সব-জুনিয়র অমদি জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২৩দা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট রিপ্রজেন্ট তৌনবগী ট্রায়ল সেলেক্সন থা অসিগী ১২দা পাঙথোক্লগনি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিএসন অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিএসননা তোঙান-তোঙানন থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা ফেব্রুৱারী ১২গী অয়ূক পুং ৮দা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা পাঙথোক্লগনি। শরুক য়ানিংবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী শান্নরোয়শিংনা মতম চানা লাক্লবা অমদি থা অসিগী ১১গী নুংথিল পুং ২দগী ৪ ফাওবা ৱেথ ওনবগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা এস এস টি সী উৎলৌদা পাঙথোক্কনি। ৱেথ ওনবগী থৌরম্না থা অসিগী ১১দা নম্বোল সাবল লৈকাইদা লৈবা পব্লিক হোলদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

নিংতম কাং টুর্নামেন্ট ২০২৩

## মহাদেব-এ, নোংদোল লৈমা কাংখূৎ মায় পাকখ্রে



বাংলাদেশ,ফেব্রুৱারী ৪(ঐচএনএস):
নিংতম কাং টুর্নামেন্ট পরিচল কম্মিটি বাংলাদেশনা শীন্দুনা বাংলাদেশকী অদম্পুর বজার কমলগঞ্জকী নয়াপটনদা জন্যুৱারী ৬তগী হৌদুনা চথরিবা নিংতম কাং টুর্নামেন্ট ২০২৩গী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী লীগ রাউন্দ মেটচ অনীদা মহাদেব কাংখূৎ-এ হামোম খুল অমদি নোংদোল লৈমা কাংখূৎ নয়াপটন মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা মহাদেব কাংখূৎ-এ হামোম খুলনা মহাপ্রভু কাংখূৎ হকটিয়ার খোলাবু পাঞ্জল ৬তা মায়থীবা পীখ্রে।

মহাদেব কাংখূৎনা পূন্না পাঞ্জল ৭ লৌবা ঙমখি অদুগা মহাপ্রভু কাংখূৎনা শুপ্নগী পাঞ্জল ১ খক্তং লৌবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা নোংদোল লৈমা কাংখূৎ নয়াপটননা মহাদেব কাংখূৎ-বি হামোম খুলবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

নুপী কাঙলূপ অসিগী সেমীফাইনেল মেটচশিং থা অসিগী ১৮দা শান্নরগনি। অহানবা সেমীফাইনেলদা নোংনোল লৈমা কাংখূৎ অমদি মহাদেব কাংখূৎ হামোম খুল অনীনা অয়ূক পুং ১০দা শান্নরগনি। অনীশুবা সেমীফাইনেলদা রাধাগোবিন্দ কাংখূৎ মোঙ্গোলপুর অমদি মহাপ্রভু কাংখূৎ হকটিয়ার খোলা অনীনা নুংথিল পুং ১দা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সেকেন্দ রাউন্দগী নোক আউট মেটচ অনী থা অসিগী ১৭তা শান্নরগনি।

অহানবদা নয়াপটন য়ুঠ ক্লব অমদি নিত্যনন্দ কাংখূৎ মোঙ্গোলপুর অনীনা অয়ূক পুং ১০দা শান্নরগনি অদুগা অনীশুবা মেটচতা গোলপালদেব কাংখূৎ মণিপুর অমদি হামোম খুল মহাদেব কাংখূৎ অনীনা নুংথিল পুং ১দা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী ফাইনেল মেটচশিং থা অসিগী ২১দা শান্নরগনি।

## হিরো আই লীগ : স্রিনিধি দেকানন চর্চিল ব্রদর্স থোইখ্রে




হায়দরবাদ,ফেব্রুৱারী ৪(এজেন্সী):
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা চথরিবা হিরো আই লীগকী ঙসি হায়দরবাদকী দেকান এরেনাদা শান্নখিবা মেটচ অমদা হোম টিম ওইরিবা স্রিনিধি দেকান এফ সীনা চর্চিল ব্রদর্স এফ সী গোৱাবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। অনীশুবা হাফতা দেভিদ কেষ্টানেদা মুনোজনা শান্নবগী ৫৫ শুবা মিনটতা হোম টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। রোসেনবর্গ গেব্রিএলগী মহুৎতা শান্নবগী ৬২ শুবা মিনটতা সবষ্টিট্যুট চঙলকখিবা রামলুংচুংঙানা শান্নবগী ৭১ শুবা মিনটতা স্রিনিধি দেকানগী মায় পাকপগী ২শুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ লোইরমদাই স্রিনিধি দেকানগী অহানবা গোল চনখিবা দেভিদ কেষ্টানেদা মুনোজকী মহুৎতা চঙলকখিবা লুইজ উগোচুকৱু ওগানানা ইঞ্জুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা হোম টিমগী মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা চর্চিল ব্রদর্সকী মোমো সিজে অমদি ইমান্যুএল য়গর শান্নবগী ৬ অমদি ৮৯ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি। লোইশিল্লকপদা স্রিনিধি দেকানগী অহানবা গোল চনখিবা দেভিদ কেষ্টানেদা মুনোজনা প্লেয়র ওফ দি মেটচকী মনা ফংখি।

স্রিনিধি দেকানন হৌজিক ফাওবদা পূন্না মেটচ ১৫ শান্নখিবদা মেটচ ১০ মায় পাক্লগা ১ দ্রো ওইদুনা অমদি মেটচ ৪ মায়থীদুনা পোইন্ট ৩৫ ফংলগা টেবলগী মকোক ইথং থংবদা লেংদনা লৈরি। চর্চিল ব্রদর্সনা পূন্না মেটচ ১৫ শান্নখিবদা মেটচ ৫ মায় পাক্লগা ৫ দ্রো ওইদুনা অমদি ৫ মায়থীদুনা পোইন্ট ২০ ফংলগা টেবলগী ৫শুবা মফমদা লৈরি।

## অস্ফানা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ৪(ঐচএনএস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৪শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩ মীয়াম্না সী সী মীট হায়রগসু খঙনবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা টিমশিংনা মখোয়-মখোয়গী দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনশিংদগী নো-ওবজেক্সন সর্টিফিকেট লৌদুনা লল্লোং থোংখোঙদা লৈবা অস্ফাগী ওফিসতা থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকুবা অস্ফাগী সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা, অস্ফাগী চেরোল অমনা খঙহল্লদুনা মহৈরোয়শিংগী স্কুলগী এগজাম হেক লোইবগা অস্ফাগী দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনশিং অমদি গ্রাসরুট সেন্টরশিংদা অস্ফা গ্রাসরুট প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি। প্রোগ্রাম অসিগীদমক অস্ফাগী ওফিসতা লাক্তুনা ফোর্ম লৌরবা য়ারগনি হায়রি।

## টুগপু ট্রোফিগী ফাইনেল ঙসি শান্নরগনি


ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ৪(ঐচএনএস):
টিদ্দিম রোদ য়ুনিক গেমি প্লেয়র্স য়ুনিয়ন (টুগপু) নম্বোলনা শীন্দুনা চথরকপা অহানবা টুগপু ট্রোফি ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩গী ফাইনেল মেটচ নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ১২.৩০দা নম্বোল কোংখামপাৎতা লৈবা টুগপু গ্রাউন্দদা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমদি গ্রাউন্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি (জি দি সী) থিনুঙ্গৈ অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা অথোইবা মীথুংলেন, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থৌনাওজম বসন্তকুমারনা থৌরম মপূ অমদি বি জে পি নম্বোল মন্দলগী প্রসিদেন্ট সলাম ব্রজমণিনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়ারগনি।

HL-B/7933/5/2-7/4

GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER
ENGLISH COMPUTER
Govt. Regd. No. 2102 of 2012
BEHIND POLOGROUND, GAURAHARI MARKET, PAONA BAZAR, IMPHAL NEAR HOTEL KRISHTINA
Many Students were certified and eligible for applying Job
Online or Offline Class Available
Computer Certificate Course is compulsory for both Govt. & Pvt. Job
ENROLL NOW
Timing :- 5:30 am, 7:00 am, 9:00 am, 4:00 pm
Computer Course
BCC
CCA
DCA
DTP
CCP
Taly with GST
Data Entry
Multimedia
Office automation
Business Package Etc.
Admission Open for Jan/Feb 2023
Spoken English
Classes for Groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
Grammar, Pronunciation, Group discussion, Public speaking, Vocabulary
Instructor:-
Sir Tejkumar (Teaching Since1987) (English)
Alice Thokchom (English)
Sir Bidyananda (Computer)
For registration contact us -
Call - 8132904426 (English)
Call Or Whatsapp On 8415016049 (Computer)
Email on : Globalspokenanddotcom@gmail.com

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 707

Odin Blikra Vea (2245) - Suad Kurtcehajic (2061)
Sarajevo Bosna op-B 44th Sarajevo (6), 2014.06.03

1.e4 c6 2.d4 d5 3.e5 Bf5 4.h4 h5
5.Bg5 Qb6 6.Bd3 Qxb2 7.Bxf5 Qxa1 8.e6 g6
9.exf7+ Kxf7 10.Bc8 Na6 11.Bh3 Qb2 12.Nf3 Bg7
13.O-O Re8 14.Bc1 Qb6 15.Ng5+ Kf8 16.Qd3 Rh6
17.Be6 Qxd4 18. ...

QUESTION :
White to win

Puzzle 706 Ans. :

12. Qf8+ The white queen clears the way for White's knight to the square d6.
Your moves:12.Qc7
Your moves:12.Qe7+
Your moves:12.Rd1
Rxf8 13. Nd6+ Ke7 14. Nf5+ Double check
Your moves:14.Nxb7+
Ke8 15. Nxg7# Dragonfly mate
1-0

LOAN AVAILABLE
EMPLOYMENT NEWS

| Sl. no | POST | QUALIFICATION | VAC | SALARY | AGE | BRANCH |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | G.M / Manager | Graduate + 3yrs exp. | 2+2 | Negotiable | 30-35 | H.Q |
| 2. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 2+2+2 +2+2 | Negotiable | 18-25 | Sekmai, Samurou, Thoubal, Kakching, Nambol, Moirang |
| 3. | Grade-IV | VIII Passed | 3 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 7. | Driver (Car/Tata) | 3 to 5 yrs. experience | 5 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 8. | Mechanic(2/W & 4/W) | VIII Passed | 3+2 | Negotiable | 18-35 | H.Q |
| 9. | Security/GUNMAN | VIII Passed | 5 | 6,500-15,500 | 18-25 | H.Q |

L.G. MOTORS FINANCE
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.30PM
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI(H.Q),IMPHAL
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
HL-P/5805/2/26/1-1/3(alt)
HL-P/7975/12

Regd. No.: KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
Admission Open
FOUNDATION COURSE for CLASS -IX & X (BOSEM)
17th February, 2023
Faculty members for class X
4:00pm-7:30pm
Physics – SIR SYAMSUNDAR, Regular English H/S
Chemistry – MADAM SUSIMA, Lee Faith School
Biology – MAAM SHANTIBALA(Retd.), Nirmalabas High School
Mathematics – SIR IBUNGO, St. Savio Hr. Sec. School
English – SIR DHIREN, Regular English H/S
History – SIR SEITYAJIT, Tiny tot's Unique School
Geography – SIR SURESH, Former Teacher: Divine English School
Manipuri – SIR ROBINDRO, R.M. School
Mathematics – SIR SHYAM, R.M. School
English – SIR THOMAS, Heritage Convent
Form available at:
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm-7:30pm)
6009534807
9233284826

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com